ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯢ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, নবেম্বর ২৫, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৩৬শুবা মশীং

# করম থোক্লগবা - কম্মিসন

## নরাইবক থীখ্রেদকো এম ঐচ আর সী

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) হায়বসি মণিপুর মীয়ামগীনি। থোইদোক্লা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী তোঙান তোঙানবা প্রোভিজনশিংনা পীরিবা ঙাক্লৌশিংগী মথৌ তারিবা মীওই কাঙলূপশিংগী পান্বে ওইদুনা লাক্লিবনি, ওইখিগদৌরিবনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা কম্মিসন অসিগী ফীভমদি অদুঙৈ মীতৈগী অইবা অমনা 'চন্দ্রনদি' বু শৈথারম্বদা নিংথৌগী চাইথপাৎ মরীল ওইরম্বা চন্দ্রনদিগী ফীভম হৌজিক্তি লৈত্রে, তোর্ব্বানসু নাপীনা থনখ্রে হায়রম্বদুগা চপ মান্ননা পাঞ্খল্লুরে। মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অসি মতমদুগী ভগর্ণরনা জুন ২৭, ১৯৯৮দা লিংখৎখিবনি। মতমদুগী সিক্কিম হায় কোর্টকী রিটাইয়র্দ চীফ জষ্টিস, জষ্টিস সুরেন্দ্র নাথ ভারগভাবু 'ৱারেন্ট ওফ এপোইন্টমেন্ট' পীদুনা অহানবা চ্যেরপর্সন হাপ্লম্বনি। অদুগা চপ মান্নবা এপোইন্টমেন্টসিদা মেম্বর মরিসু হাপ্লমখিবনি। অদুবু অহানবা কম্মিসনগী মতম (টর্ম) লোইখিবদগী ছটিসগর অমসুং হিমাচল প্রদেশ হায় কোর্টশিংগী রিটাইয়র্দ চীফ জষ্টিস, জষ্টিস দল্লিয়ু এ শিসকপু অনীশুবা চ্যেরপর্সন ওইনা ৱারেন্ট ওফ এপোইন্টমেন্ট পীদুনা মণিপুরগী অনীশুবা কম্মিসন লিংখি। কম্মিসনগী মেম্বর ৩সু হাপখি। অদুবু অনীশুবা কম্মিসনগী টর্ম অদুসু মে ৯, ২০১০দা লোইখি। অনীশুবা টর্ম লোইখ্রবসু মতমদুগী লৈঙাক্লা অনৌবা কম্মিসন অমা লিংখৎলমখিদে। শুপ্নতগী কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বরশিং ওইনবগীদমক রুলনা য়াবা মতিক চাবা মীওইশিং থিনবদা মতম খরা খজিক লৌবগী ৱাফম ওইখিদে। মতমদুগী লৈঙাক অমসুং থংনবা মথংগী লৈঙাক্লা ফাওবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন লিংলমখিদে। অদুম ওইনমক শাংলবা চহী ৭ হেন্না কম্মিসন লিংলক্তবা মতুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক মার্চ ১৫, ২০১৭তগী লৈরকখিবদগী সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিবু কম্মিসনগী মেম্বর হাপ্তুনা কুমজা ২০১৮গী ওগষ্টতগী অহুমশুবা কম্মিসন লিংলকখি। অদুসু হান্না মেম্বর ওইনা ৱারেন্ট ওফ এপোইন্টমেন্ট পীরগা কোন্না থোরকপা ওর্দর অমনা চ্যেরপর্সনগী থবক (এক্টিং চ্যেরপর্সন) পুহল্লকখিবনি। মপূং ফাবা চ্যেরপর্সন অমা ওইখিদ্রবসু অদুগা মথৌ তাবা মেম্বর মশীং শুনা হাপখিদ্রবসু 'সমথিং ইজ বেট্টর দেন নথিং' হায়বদুমক ওইখি হায়রবা ফাওবদা মণিপুরগী অহুমশুবা কম্মিসন লিংখি। মীয়ামগী থবক তৌখি।

অদুবু এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিগী কম্মিসন অদুগী মতমসু ওগষ্ট ২০২২দা লোইশিনখি। অহুমশুবা কম্মিসনগী টর্ম লোইশিনখ্রবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরিশুবা কম্মিসন অমগীদমক হাপফম থোকপা চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বরশিং হাপ্লকখিদে। মসিদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কম্মিসনগী মথৌ তাবা চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বরশিং হাপহনবিনবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরক্তুনা হায়জরকখি। মতাংসিদা পলহৌবা য়ারিবনা মতম-মতমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিসনশিং থেঙ্খাং অহুম্লক্তা লিংখ্রবসু হৈনিংনা লিংবদি অমত্তা ওইখিদে হায়বা য়াই। ৱাফমসি থবকসু তৌরগা মনাসু থাদবগী ৱাফম নত্তে। মরমদি অহানবা অমসুং অনীশুবা লিংখিবা কম্মিসনশিংগী মেম্বরশিংগী মরক্তগী মশাগী টর্ম লোইদনা লৈখিদবশিং য়াওখ্রবা ফাওবদা মহুৎ হাপচিনখিদবগী থৌদোকশিং থোকখি। অদুগা কোর্টতা কম্মিসনগা মরী লৈননা পি আই এল ফাইল তৌরকপসু হন দক্কীসিনা অহানবসু নত্তে। কম্মিসনগী মতাংসিদি হায়রগতা তাবা, নিরগতা পীবগী থৌদৌশিং হৌরকঙৈদগী মায়োক্লরকই হায়বগী ৱানি। হৌজিকসু মরিশুবা কম্মিসন লিংহনবীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা পীরকপা দিরেক্সনদগী লো দিপার্টমেন্টনা কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বরশিং খন্নবগী নোটিফিকেসন অমা নবেম্বর ৩, ২০২২দা থোকখ্রে। এপ্লাই তৌরক্লবগী অরোইবা নুমিৎনা থা ২ মখায় হেন্না চোন্থরগা জন্যুৱারী ২০, ২০২৩ ওইরি। মতমসি শাংবগী মথক্তা চ্যেরমেনগী ফম অসি হায় কোর্ট অমগী চীফ ষ্টিস নৎত্রগা জজ ওইরম্বা মীওই অমনা ওইগদবনা হায়রিবা মীওইশিং অদুনা ফমসিগীদমক ওনলাইনদা এপ্লাই তৌনরক্কদ্রা হায়বসিসু ৱাহং ওইরি। প্রোসেসসিবুদি হায় কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না তৌরকপনি। অদুবু কোর্টনা অনৌবা কম্মিসন লিংনবা থবক লৌখৎলু হায়বা ওইরগদি চীফ মিনিষ্টর, স্পিকর, হোমগী থবক পুবা মিনিষ্টর অমসুং এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদরগী কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌবা য়াবনিনা রেকমেন্দ তৌরগা ৱারেন্ট ওফ এপোইন্টমেন্ট অদুম পীরগা অনৌবা কম্মিসন লিংবা য়াদব্রা হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১) **''ওইরগদ্রা অরোইবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **''ৱৎসনিংথৌ উদয়ন''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **''ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী''** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) ''খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেন্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেন্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।'' ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''ৱারেপ''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইম্ফাল মনুংগী লম্বী খুৎচিনসি হন্থহন্নবগী পান্বে থিমিন্নসি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংসি অসুক্কী মতিক চিল্লে হায়বসি মমাঙদসু কয়ারক হন্না পঞ্জখ্রে। নোংম-নোংমগী ঐখোয়গী ইরমদমসিগী ময়োন লম ওইরিবা ইম্ফাল সিটিসিদা লৈরিবা লম্বীশিংসি চিনবগী চাং অসুম-অসুম হেঙ্গৎলক্লি। লম্বী হায়বসি চৎননবনি, চৎফম মতিক চানা অমদি মরাং কায়না লৈত্রগবু লমদম অমনা চাওখৎলকপা হায়বসি ওইথোক্লরুদ্রা? খক ওইথোক্লক্লোই। ৱাফমসি পূম্নমক্লা খঙনরবনি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসি অদুক হাক্লা মীশিং য়াম্বা ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেট অমগুম্বসু নত্তে। অদুগা লমদমসিগী জিওগ্রাফিকেল ষ্ট্রকচর য়েংবদসু থোইনা মীশিং য়াম্লীংঙাইগী মরম লৈরোইদবা ষ্টেট মচা অমখকনি। অদুম ওইনমক ষ্টেট মচাসিগী কোনুং ওইরিবা ইম্ফাল সিটিসিগী লম্বীশিংদদি অসুক্কী মতিক কা হেন্না মী চিনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। ইরমদম মণিপুরসিগী কোনুং ওইরিবা ইম্ফাল সিটিসিসু ইন্দিয়াগী মনুংদা লম্বী খ্বাইদগী হেন্না চিনবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা শোয়দনা ওইরল্লদ্রা হায়বসি খল্লকই। ইম্ফাল সিটিসিগী মনুংদা নোংমগী মনুংদা থৌরিবা গাড়ীশিংসি অঙকপনি। হৌজিকসি কারগী চহী চা হায়বদু চপ চানা ওইরে। অদুগীসু মথক্তা মণিপুরদা মরু ওইনা ইম্ফাল সিটি মনুংসিদা চাকা মশীং কয়া পানবনো হায়বা ফাওবা খঙলকত্রবা শাংল-শাংলবা ত্রক গাড়ী মখল কয়ামুক অমসু ঙাইহাক লৈতনা হায়রিবা লম্বীশিংসিদা থৌনবা উনরক্লে। মসিসু চাওখৎলকপগী খুদমদি ওইরমগনি। চাওখৎলকপগী খুদম হায়রগা নীংশিংলকই, মণিপুরদা চাওখৎলকপগী খুদমশিংগী মরক্তা চাওখৎলকপগী খুদমদি ওইরগা খ্বাইদগী হেন্না চাওখৎলক্তবা পোৎশক অমা হায়রগদি মণিপুরগী ত্রাফিক পোইন্টশিংদা শীজিন্নরিবা ত্রাফিক সিগনেলগী লাইটশিংসিনি। মণিপুরগী ত্রাফিক সিগনেলশিংগীদমক শীজিন্নরিবা লাইটশিংসিবু অয়াম্বা ত্রাফিক পোইন্টশিংদা নুমিৎ নীনিদা শুনা ফজনা, বেরা খক তৌদনা শীজিন্নবা উদ্রিবসিবু করিগীনো? মসিমদি তশেংনা ঙকই। ফনসু কুইরক্লে সিষ্টমসি মণিপুরদা শীজিন্নবা হৌরক্লিবসি, ঙসি ফাওবদা হেক মণিপুরগী ত্রাফিক পোইন্ট অমত্তদা হায়রিবা লাইটশিংসি নুমিৎ নীনিদা শুনা বেরা-চাকা তৌনদনা শীজিন্নবা উদ্রি।

হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংসি চৎপদা তশেংনা হায়নীংঙাই লৈতনা চিনবা লম্বীশিং হায়বদু তশেংনা ওইরে। করিগুম্বদা ইম্ফাল সিটিসিগী মনুংদা অথু-অকাইগী ওইবা থবক অমত্তং চৎকে খল্লক্লবদি ইম্ফাল সিটিসিগী মনুংদা খজিক্তং কোম্না চৎপদা য়াগদবা লম্বীসি করম্বা লম্বী ওইগনি? নীংথমথাগী মতম ওইবগা ইরমদমসিগী লুহোং-খোঙদোংবগী মতমগা ফাংনবগা, হৌজিক-হৌজিক ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংসি হায়ফেৎ চিল্লে। মতমসিনা ষ্টেন্দর্দ হেঙ্গৎনরকপনরা নৎত্রগা গাড়ীশিং হোঙলকপনরা, মতমসিদা লুহোং-কৈহোংবা চৎনরিবা মীপূম খুদিংমকসিসু অয়াম্বনা মশা মশাগী গাড়ী কার অমমমদা তোংনরগা লুহোংবা চৎনবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎনরক্লি। মতম খরগী মমাঙদা লুহোংবগীদমক চৎনরম্বা গাড়ীশিংদি অয়াম্বনা অনেকপা টেক্সিশিং ঙাক্তা ওইনরম্মী। অদুগা, লুহোংবদা য়াওরিবা গাড়ীশিংদু লুহোংবা য়াওবা মীশিংনা ফুল-ফুল ওইনা তোংলগা চৎনরম্বসু ঙাক্তনি। হৌজিক্তি থৌদৌদু ওইরকত্রে। অদুগা অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদনা হৌজিক্কান্দদি লম্বীগী নাক-য়েৎশিংসিসু অয়াম্বনা য়ূম নৎত্রগা দুকান নৎত্রগনা পব্লিক্কী ওইবা শঙলেনশিং ঙাক্তনা কৃক-কৃক ইন্ননা শানখ্রে। লুহোংবা চৎপগী থবক্তগীদি গাড়ী থম্ফমগী ৱাখলনা হেন্না লুমখ্রে। হোংলক্লিবা ফীভমশিংসিদা ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিংসি শেমদোক-শেমজিন তৌদুনা পাকথোকহন্নবা হোৎনবা নৎত্রগা অনৌবা লম্বীশিং শেম্বা নৎত্রবদি লমদমসিগী মীয়ামসি লম্বী চৎপগী খন্নবা খক্তদা অৱাবা অমা ওইনরবনি। হৌজিক চিল্লিবা ইম্ফাল মনুংগী লম্বী খুৎচিনগী চাংসিদগী মতম খরদংগা শাংথনা অমুক্কা শেমদোক-শেমজিন তৌদনা চথরবদি ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংসি চুম্না মী চিনবগী মথক্তা মী চৎনবা য়াদ্রবা, চৎপা ঙম্নদ্রবা লম্বীশিং হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইরক্কদৌরি। তশেং-তশেংনা মীনা চন্দ্রবা লম্বীশিংনি হায়নরকপসু য়াই। হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা পান্বে অমা নৎত্রগা অমা থিদুনা ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংসি কোম্নবা খরদংদা ওইরসু পাকথোক চাউথোকহন্দুনা শেমদোক-শেমজিনশিং তৌহৌদ্রবদি মতুং তারকপদা ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংসি ফীভম অমা শোয়দনা কায়রক্কদৌরি। হৌজিক-হৌজিকসুনি ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিংসি নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা চিনবা হেঙ্গৎলক্লিবনি। হৌজিক চিল্লিবা খুৎচিনসিদগী হেন্না অমুক্কা চিনশিল্লকপা থোক্লবদি মদুদা ওইরক্কদৌরিবা মতৌশিংদু করি-করম ওইরক্কদৌরিবনো হায়বা কনাসু হায়বা ঙম্লরোই। হীরমসিগীদমক খনবদা মতমসিগী ইরমদমসিগী মীয়াম্নসু শোয়দনা ঙক্লবা পোক্লমগনি।

ইম্ফাল সিটিদা লম্বী চিল্লিবগী মওংসি মমাঙঙৈগী মতমদা য়াৎলম্বা ইম্ফাল সিটিগী অরিবা লম্বীগী কয়াৎসিদগী ঙসি ফাওবদা ঐখোয়না শুকহোং-হোংদোক্তবা মখৈ খাঙদুনা লৈশিল্লকপসিদগী অয়াম্বা থোক্লকপা ওইরমগদ্রা খল্লি। ইম্ফাল সিটিসি মতম অমদা কয়াম চাওখৎলকপা য়াই অমসুং মী কয়াম চিনশিল্লকপা য়াই হায়বদুগী চপ চাবা ৱাখল্লোনদু মতমদুদা মাঙজৌননা ঙল্লিঙদা উবা ফংলমদবা য়াই। মরম অসিনা মতমদুগী ওইবা ফীভমদুদা হায়ফেৎ চানরনি খনবা কয়াৎতুদা ইম্ফাল সিটি অকোয়বগী লম্বীশিংসি য়াৎলম্বা শোয়দনমক্কী ওইরমগদ্রা খল্লি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না সিটি খুদিংমক্কী লম্বীগী কয়াৎশিং নৌনা লোইনা য়াথোক্লবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গীদি লমসু পীকপগা তঙাইফদনা ইন্থোক-ইনশিন খরা তৌবসি নত্তনা তশেংনা অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক-হোংজিন তৌবা য়াবগী খুদোংচাবদুসু লৈত্রে। ফীভমসিদা নোংম-নোংমগী চিনখৎলক্লিবা লম্বীশিংসি ঐখোয়গী সিটি মচাসিগী ওইনদি ফনা লুবা থৌদৌ অমনি তৌগদৌরিবসি। মতাংসিদা ঐখোয়না য়াম্না নিংথিজনা মুন্না খলহৌরগা হৈশিংনা তৌহৌদ্রবদি ঐখোয় মশেল অসুম্মক লাউন-লাউনদুনা লেনবগী ফীভমসি পাক হোংদোকপা নৎত্রগা কোকথোকপা ঙমগদৌবা মান্দে। ইম্ফাল মনুংগী লম্বী চিনবগী থৌদৌসি খক্তং খল্লুবদা ইম্ফাল মনুংদা থবক চথোক-চৎশিন তৌগদৌবা ময়ামদু তান্নবা অমা তশেংনা ফাওনরে। ফীভমসি য়ৌরকপসিদা ঐখোয়গী ইরমদমসিগী লৈঙাকসিনা করি খল্লিবা হায়বসিসু খন্ননীংঙাই ওই। তৌববুদি হন্দক মরকসি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা লৈরক-খুল্লকশিং খরা ফাওবদি হান্নগী চাংদগী পাকথোকহন্দুনা শেমগৎপা হৌগৎলকপগী মমি খরদি তাবা উই। মসি ফাওবগীসু থাগৎনীংঙাইদি ওই। তৌবতবু, লম্বী শেম্বদা মীচং মীখায় নাইবীদবা, ঐগী-মীগী নাইদনা খোপচিল্লম্বা লৈঙাক্কী লল্লেমশিং মশা-মশানা খঙনা সরেন্দর তৌবা অমদি অমদা-অমদা কোইচেন চেন্দুনা ঙাঙন-শানরগা নমদুনা ঐগী-ঐগী মপাশিং ইন্থোক্কা-ইনশিনগা তৌরগা খাঙহৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোনশিংদুদি থাদোক্লবা ফৈ। লম্বী য়াওদনা ঐখোয় কৈদৌঙৈদা খক হিংবা ঙল্লোই। মীয়ামগী লম্বী মরাং কায়না অমসুং মতিক চানা পাক্লা লৈহৌবা হায়বসিনা ঐখোয় পূম্নমক্কী মতম চুপ্পগী ওইনা কান্নবা অমসুং য়াইফবা শোয়দনা ওইগদৌরিবনি। লৈঙাক্লা লম্বী পাকথোক্লবা শেম্লকপদা লৈঙাক্কী লল্লেম খোপচিল্লুবশিংনা জাৎ-জাৎকী পান্বেশিং থিদুনা কলহৌনবা হোৎনবগী ৱাখল্লোনশিং থাদোকপীগদবনি। লৈঙাক অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা খুদিংমক্লসু অসুম্না মীয়ামগী লম্বী শেম্লকপদা লল্লেম লৌশিনবা কাঙবুশিংগী চিরোন ৱাহৈশিংদা খক পংথহন্নীংদে অমদি তোংশিনহন্নীংদে। ৱাচৎ-ৱানোমদা মশাগী ওইজ-ওইথক খরগীদমক অরানবা থবকশিংদা লৈঙাক অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা খক পংথহন্নীংদে। মপুক ফবা মীগী মরল ফত্তবশিংনা চাই হায়বদু মতাংসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা খন্থহন্নীংই।

মণিপুরগী ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংসি পাকথোকপা ইয়ামক য়াররোইদবা ওইরগসু মণিপুর লৈঙাক্লা মফম চাবশিং য়েংবীরগা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিংসিগী মথক্তা, ওভর ব্রিদজশিং খরা শাংনা-শাংনা শাবীদুনা হৌজিক ওইরিবা মণিপুর মীয়ামগী ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিং চৎনবদা থেংনরিবা মী চিনবগী অৱাবশিংসি খরা মখৈ ওইরসু কোকহন্নীংই। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, লম্বীগী ফীভম মতিক চাদনা কদাইদনো ঐখোয়না চাওখৎপগী লমজেল য়াওবা ঙমগদৌরিবসি? মালেমগী মীয়াম পূম্বনা চাওখৎনখ্রবদা মণিপুরগী মীয়াম ঐখোয় খক্তনা চাওখৎপগী মঙাল ফংদনা মতৌ করম্না হিংহৌগনি? মণিপুরগী মীয়াম ঐখোয় পূম্নমক্লা মণিপুরগী ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বীশিংসি মতম লৈবা খিবিক্তা চিনবগী থৌদৌসি খক পামজদে। ৱাফমসিমত্তং ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী নাকোংদা য়ৌহন্নীংই।? ●

# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৭

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

ঙসিদি ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী কোংগ্রেস মরূ ফংনা ফূকখ্রে। মতম শাংনা লৈঙাক পায়রকপদগী মীয়াম্বু থৌওই উশিৎতবগী ফল ফজনা মীয়াম্না পড়া তন্বীখ্রে। লোয়ন লোয়ননা মহাক্কা চৎমিন্নরম্বা পোলিটিকেল পার্টি খরসু মনা মনিল নাইদনা নুংশা মঙালদা লেন তুম্বগুম তুমখ্রে। মতম কুইনা হুমদুনা পুনীং পুনীংবা মায়কৈদা পুরম্বদু মীয়াম্না চপ চাবা খুদম চাংদম ফজনা উৎখ্রে। পোলিটিক্স হায়বসি অকা অকুমনি অদুবু কোংগ্রেস পার্টি হায়বসি ইন্দিয়াগী লেঙদ্রবা পার্টিগুম খল্লবা ঙসিদি নোংম-নোংমগী ফীভম শোকপা হেল্লকই। মসিমক মানা মানা তৌজরম্বগী মহয়নি।

কোংগ্রেসপু ইন্থুরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমদি মীয়াম মমাঙদা ফোঙনা চোঙথোরকই। নরেন্দ্র মোদিগী বি জে পি ঙসি ফাওবদি মতম কুইনা ইরাক্লরুবা মীয়াম পোলিটিক্সকী পড়া ফজনা খঙনরক্লে। বি জে পি লৈঙাক ফজনা মীয়ামগী মাঙদা থোরক্লে। পোলিটিক্স হায়বসি অকা অকুমনি চহী অসিদা চোংথোক চোংশিনগী ঈরাংসু কনখৎলকই। পোলিটিক্স হায়বসি মচিন মেনবা খক ঙল্লোই। অতোং-অতোংবদা লেপনীংবা, খুদোংচাবা খরগী মশা মশাগী ইজৎ, পার্টিগী থকসি খাসি থাদোক্লরকপসি অফবা খুদমদি নত্তে। চহী ৫০গী মথক্তা লৈঙাক পায়রল্লবা কোংগ্রেসপু ইথা থাজদনা মাঙহনখিবসিদি অনৌবা পোলিটিক্সকী মায়ওন অমনি। ঙসিদি বি জে পিসু ৱাজাও ঙাঙলক্তুনা মীয়ামদা উৎপা ফজনা তৌরে। মসিমক তশেংনা খুকউ শেনবগী মতম লাক্লে। চহী ৫০গী কোংগ্রেস লৈঙাক মুৎখিবগুম মুৎলোই হায়নীংঙাই লৈতে। ৱাজাও ঙাঙবা, চিনগা খূৎকা মান্নদবসিদি পোলিটিক্সকী মোংফম শেমজবগা মান্নে। হৌজিক্কী কম্প্যুটরগী চকসিদা লাইরিক লাইশুনা খম থেংনা হৈনরবা মতমসিদা ৱাজাও ঙাঙবা, ঙাঙথোকখিবা ৱাবু চুমথোকচবা ঙমদবসিদি দশাগী মথক্তা দশা হেন্না তাদনীংঙাই লৈতে।

নাকল অমরোমদা মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক্কী মওং হেন্না কূপ্না অচুম্বা অশেংবা থবক ওইনা পায়খৎহৌদ্রবদি কোংগ্রেসকী দশাদগী হেন্না শাথীবা দষা খঙহৌদনা থোরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মপূং ওইনা মণিপুর মীয়ামগী মাঙদা 'চীং চৎলু, খুঙ্গং চৎলু' ওন্থোক্লা ফজখ্রবা বি জে পিগী অনৌবা মায়ওন অমনি। অদুবু চীংদা চৎলু, খুঙ্গংদা চৎলুগী অর্থ ঙসি ফাওবা মশক থোকপা করি করি পায়খৎপীরবগে? মশক থোকপা খুঙ্গং অমদি চীংগী করম করম্বা কেন্দ্রদা মীয়াম্না য়েংজবা য়াবা চীংগী কেন্দ্র নৎত্রগা তম্পাক্কী কেন্দ্র মফম কদাইদা লৈবগে, মীয়ামগী ৱাহংনি। চীংদসু তমদসু করম্বা মফমনো করম্বা খুঙ্গংনো মীয়ামদা খঙহনবীফম থোক্তবরা? তশেংনমক বি জে পিগী লৈঙাক ফজনা তমগী অমদি চীংগী খুঙ্গং ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনবা তাঞ্জা ওইরে। মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা পাঙথোকখিবা চীং-তমগী মফম খুদিং থবক ওইনা উৎপীদবদি করিগীনো?

কুমজা ২০১৮, ২০১৯গী মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা এন আর ঈ জি এগী থবক ফজনা পাঙথোকখিদবসি বি জে পি লৈঙাক অসি ঙসি ফাওবা তরু তরু উৎথোকপীদবসি করিগীনো? খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা চাওরবা ৱাহং খরদি লৈতবা নত্তে। ঙসিদি খুঙ্গংগী প্রধান-মেম্বরশিংগী থবক খূৎতৌ কায়থোকখিবা শেনফম, শুরিবা থবক্কা চান্নবরা? ঙসিদি প্রধান, মেম্বরশিংগী মতম লোইরে। হীরম অসি বি জে পি লৈঙাক্লা কদাই ফাওবা অচুম্বা অশেংবা উৎপা মতম ওইদ্রিবরা? মরম অদুনা বি জে পিগী ৱাজাও, থবক খূৎতৌ কদাই ফাওবা অচুম্বা উৎপীরবগে।

ঙসিদি খুঙ্গংগী লম্বী করম তৌরি। লৈঙাক পায়রিবশিংনা চ্যেক তৌবীয়ু। খুঙ্গংগী লম্বী করি ওইরি। চাওখৎপগী মতুংইন্না খুঙ্গংগী য়ূমথোঙ খুদিংদা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী য়ূমথোঙ খুদিং লৈনরবা চক অসিদা লম্বী নক্লা লম খোপচিন্দুনা পাট্রাগী মনুংদগী হেন্দোক্তুনা পাকাগী য়ূম শাজিল্লকইবসি কেন্দ্র কেন্দ্রগী এম এল এশিংনা মমাঙগী ভোট খোম্বা লাকপদা উবিহৌদ্রবরা, ইম্ফাল মনুং নত্তনা খুঙ্গংগী কেন্দ্র খুদিংমক্তা লমলেম লম্ফাং ফুনজিল্লকইবসি ভোটকী য়েংদুনা অসুম তোক্কদৌরিবরা? ইশা ইশাগী ওইজনাম য়েংদুনা মীয়ামগী খন্দবদি অফবা খোঙথাং ওইররোই, এম এল এ, মন্ত্রি পিবা ফম নত্তে। মরম অদুনা বি জে পিগী খুঙ্গং চৎলু, চীংদা চৎলু ফজখ্রবা পান্দম কদোমদা কমদৌনা থৈবীগদৌরি। অসুক ফজখ্রবা পান্দমসি থবক ওইনা খরদং ফাওবা পায়খৎপীদবসি বি জে পিগী অর্থ করিনো? খুঙ্গংলোমদা মীৎয়েং চঙবীবগী খুদম ঙসি ফাওবা উদে, মসিগী মথক্তা চীংদা করম তৌরমগনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদনি। মপূং ওইনা ইজরিবা কলমসিগী মনুংদা কুমজা ২০১৬/২০১৭ ফাওবগী মনুংদা কলমসিদা ৪/৫গী মথক্তা মীদিয়াগী থোঙদা কয়ারক ইজখ্রে। অদুবু বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা করিসু হন্না ফাওবা য়েংশিনবীদবদি লৈঙাকসিনা থৌশাদবগী খুদমনি। ঙসিদি বি জে পি লৈঙাক ফজনা মরোমদোম লৈঙাক পায়বা ঙল্লে, অদুম ওইনমক হন্না য়েংবীদবদি কোংগ্রেস লৈঙাক্তগী বি জে পিনা হেন্না শাথীবা ওইরক্লে। মথংগী মীখল লাকপদদি বি জে পি তরাইবা ওইররোই। মীয়াম্না চপ চাবা পড়া অমদি তন্বীরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।'' অচুম্বসিবু লৈরিবরা কলমসিদা চহী ৪০ রোম মীদিয়াগী থোঙদা লাউজরকপসিগী চপ চাবা ময়েক শেংনা পাউখুম শোয়দনা ফংলগনি। বি জে পিগী ঙসি লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবশিংসি শোয়দনা পড়া খরদি তন্বীরগনি।

মসিগী মনুংদা মন্ত্রি ফাওবা ওইরিবশিং এম এল এদি থম্বু থমখো, অমুক হল্লকপা হায়বসি তরাইবা নত্তে। মপূং ওইনা কলমসি ''অচুম্বসি লৈরিবরা'' ঙসি ফাওবা চহী ৪০ রোম মীদিয়াগী থোঙদা লেপ্তুনা ইজবসিগী অর্থ থবক ওইনা শোয়দনা উৎথোরক্তুনা কোংগ্রেসকী মপাল মউ চাওনা লৈরল্লবা ফাওবা মূথৎলকপগুম লৈবাক্কী মীয়াম্না শোয়দনা পড়া তন্বীরগনি।

অরোইবদা মপূং ওইনা থমজনীংবদি কোংগ্রেস থাজদনা মূৎখিবগুম চহী কুন মপূং ফাওবা ফাদ্রিবা বি জে পিসু শোয়দনা দশা অমদি তাদনীংঙাই লৈতে। নুংশিৎকীদমক হুইনা ৱাই হায়বসু লৈবনি। রাজনিতিদি তরাইবা নত্তে, অকা অকুম নাইবনি। পোলিটিকেল পার্টি অসি অতোং অতোংবদা চোংশিনবনি। অতোংবা পাম্বা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক ঈশ্বরনসু ঙাকপীররোই, প্রজা মীয়ামসু পোলিটিকেল পার্টিগী ৱাজাওদগী মীপূম খুদিংমক ভাব লোইনা তান্নরবনি। অরৈবা ভোট, নমথাক কুইনা চৎনররোই, পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী প্রজাশিং হেন্না জ্ঞান তানরবনি। মপুন্সিগী পোলিটিক্স য়াওরক্তবশিংনা অখণ্ড অহৈ শাবনদি কয়াম কুইনা চৎনগনি। অদুবু ৱারবসু ৱানা চহী খরদি খাঙখিবা তাবনি। পোলিটিকেল পার্টিনা চীং তমগী প্রজাশিংনা মথংগী টর্ম ফাওবদি ঙাইনখিবা তাবনি। শেঞ্জাও খরা পায়রগা নিংথৌ শাবদি লীলাগী নিংথৌগুম্বনি। চহী ৪ রোম ৱানা খাঙজবা তারি প্রজাশিং। চহী খরসিদা শেমদোক শাংদোকপসু খরদি ৱানা থোক্কনি। মন্ত্রি ফম, এম এল এ তরাইনা খনবীগনু। মহুৎ শিনবা ঙম্বা প্রজা চা কয়ানা খৌরাংনা ঙাইনরি। ●